**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইথম মোইরাংপুরেল ব্রিজ, মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমসুং মোইরাংপুরেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সাইন্স অমদি আর্টস ব্লোক শঙ্গাখ্রে।

২) লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম বিরলানা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্ববু ইন্দিয়া নোরদিক্স পার্লিয়ামেন্টরি ফ্রেন্দসিপ গ্রুপকী মেম্বর ওইনা হাপখ্রে।

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা তামিলনাদুগী মদুরাইদা লুপা কোতি লিশিং ৪,৪০০ রোমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখ্রে, খরনা শঙ্গাখি।

৪) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- সরকারনা পুদুচেরিবু ইকো টুরিজম, স্প্রিচুয়েল টুরিজম অমসুং হেলথ টুরিজম চাওখৎহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি।

অমসুং

৫) মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা গল্ফ লৈবাকশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবা কয়াগা ঙরাং ৱারী শান্নখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইথম মোইরাংপুরেল ব্রিজ, মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমসুং মোইরাংপুরেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সাইন্স অমদি আর্টস ব্লোক শঙ্গাখ্রে। লম্লাইদগী থৌবাল ডাম তাবা নেসনেল

হাইৱে-২০২ গী লম্বী নৌনা শেমজিনবগী থবক হৌনবা পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে।

ইথম মোইরাংপুরেল ফাওনবা থোং অসি পি.এম.জি.এস.ৱাইগী মখাদা অমদি মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অসিনা দি.আর.দি.এগী মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্টনি। অদুগা মোইরাংপুরেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী নৌনা হাংদোক্লিবা সাইন্স অমসুং আর্টসকী ব্লোক অসিনা ইদুকেসন বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপনি। লম্লাইদগী থৌবাল ডাম তাবা কিলোমিতর ১৮ হেনবগী লম্বী পরিং অসি দোনর মন্ত্রালয়গী শেন্থুং মখাদা রাজ্য সরকারগী পি.দব্লিউ.দিনা পায়খৎকদবনি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং- টি.ঐচ. শ্যামকুমার, কে.ঐচ. ইবোমচা অমসুং লৈসিও কৈশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- ঙসিদগী পায়খৎপা হৌগদৌরিবা লম্বী শেম্বগী থবক অসি য়ামা মরুওইবা চাওখৎ থৌরাংগী শরুক অমনি। মসিনা মাইকৈ অদোমদা লৈরিবা মীয়াম, মরুওইনা লৌমী অমদি করবার তৌজরিবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচানবা লম্বী থোং শেমজিনবা খক নত্তনা মহৈ মশিং অমদি অনা লায়েংগী লমদসু হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা মীৎয়েং থম্লি।

শ্রী খেমচান্দনা মখা তানা হায়- চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎতুনা মীয়ামগী য়াহফনবা হোৎনবা অমসুং মীপাল তাংদবা রাজ্য অমা ওইহনবা হায়বসি সরকারগী লেংদ্রবা ফিরেপনি। লমদম অসিগী মীয়াম্বু চাওখৎপগী মঙাল ফংহন্নবা য়াইফ থৌরাং কয়া অমসু পায়খৎপা হৌরে।

সনাজাউবা (এল)ঃ লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম বিরলানা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্ববু ইন্দিয়া নোরদিক্স পার্লিয়ামেন্টরি ফ্রেন্দসিপ গ্রুপকী মেম্বর ওইনা হাপখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি ফ্রেন্দসিপ গ্রুপ অসি মালেমগী লৈবাক ৬৪ গা ভারতকা অফবা মরী থমবগী খোঙথাং অমা ওইনা শেন্থনি। নোরদিক লৈবাকশিংগী মনুংদা দেনমার্ক, ফিনলেন্দ, আইসলেন্দ, নোরৱে অমসুং সুইদেন য়াওরি।

মীফম (এল)ঃ কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফ্যার দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি) অমদি পুরৈরোম্বা লৈকাই ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন অমসুং পুরৈরোম্বা য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা মীকোক থীবা অমসুং ঙমখৈ খঙদোকপগী মতাংদা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। জে.এফ.দিনা পরিং নাইনা চখরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মীফম অদু পুরৈরোম্বা লৈকাই কোনুং মমাংদা পাঙথোকখিবনি।

খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা জে.এফ.দিগী মরুওইবা মীহুৎশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা ৱা ঙাংখি। লুপ অসিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়- রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদি লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্প কয়াদা মীওই কয়া অমা চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি। ওইরিবা ফিভম অসিদা য়ুমকোক অমদি মীকোক থীনবা থৌরাং তৌরকপা অসি মরম চাদে। মহাকা হায়- লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীকোক থীবগী থবক চখবা হায়বসি নিয়াম চুমা পাঙথোকপা ঙমলোই। মরম অদুনা লমদম অসিদা এন.আর.সি তৌরবা মতুংদা মীকোক থীবগী থবক অসি পাঙথোকপনা চুমগনি।

লাইরিক (এল)ঃ ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোডতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা মৈনম ভরতনা ইবা ৱারেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক থম্মোয়নুংগী খোল্লাউ ঙসি ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টে আধিকারিময়ুম সরদা দেবী য়াওনা আইবা অইবী কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা মৈনম ভরতকী ফোটোদা হৈকেৎ লৈকেৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। লৈখিদ্রবা অইবা মৈনম ভরত বি.জে.পিগী প্রসিদেন্টে ওইরম্বতা নত্তনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী

মীহুৎ অমসু ওইরমখি। শান্ন-খোৎনবা থৱায় য়াওরকপদা নত্তনা লাইরিক কয়া অমসু ইরমখি। মহাক্কী ফোংখ্রবা লাইরিকশিংগী মনুংদা- মেদাম ভোল্যুম ৱান অমসুং টু, সনাগী চহি অহুম (মনিং তম্লবা মীরোৎ), মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা পনবা য়াই।

এআর (এল)ঃ তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা মোরেগী ফ্রেন্দসিপ ব্রিজ ইন্তিগ্রেতেদ চ্যেক পোষ্ট মনাক্তা লৈবা উমং অমদা লান্মৈ চাক্লকপদা অসাম রাইফলসনা মতম চানা চংশিন্দুনা কনখ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং থোকখিবনি। লান্মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা মথৌ তৌরিবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা খঙলকপদগী মফম অদুদা খোঙলৈ থুংনা চংশিন্দুনা মৈ কনবগী থবক চথখি। অসাম রাইফলসকী কাংবু অদুনা মৈ কনবগী মচাকশিং শিজিন্নদুনা য়ামা অতেনবা মতমগী মনুংদা লান্মৈ অদু মুথৎতুনা কা হেন্না শন্দোরক্কদবদগী কনখি।

কনফরেন্স (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী মনুং চনবা খোয়াথোং পোলেম লৈকাইদা নোংমগী ওইবা রাজনীতিগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মীয়ামগী মীহুৎ খনবা মতমদা মতিক চাবা মীয়ামগীদমক পুকচেল শেংনা থবক তৌগদবা মীহুৎ খনশি। মীখল ময়াদা মীয়ামদা নমথাক তৌবগী চৎনবী অমা চথরক্লিবা অসি ঐখোয় পুন্না মুথৎনবা হোৎনমিন্নশি লোয়ননা লুচিংবা শাবশিংদগী মীয়ামা চেকশিনশি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা তামিলনাদুগী মদুরাইদা লুপা কোতি লিশিং ৪,৪০০ রোমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখ্রে, খরনা শঙ্গাখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি শঙ্গাখিবা অমদি যাত্রা হুনখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা কুম্বকোনম, য়েরকোর্দ অমসুং ভেলোরদা শেমগৎকদবা অকাশবানিগী

অনৌবা এফ.এম রিলে ট্রান্সমিতর অহুম য়াওরি। ট্রান্সমিতর অহুম অসিনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অয়েৎ অপন লৈতনা ঈ-পাউ ফংহনবদা মতেং ওইরগনি।

শ্রী মোদিনা মদুরাইদা পাঙথোকপা এন.দি.এগী রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি। রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা তামিলনাদুগী চাওখৎ খোঙজেলদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লে। মহাকা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা অমদি নৌনা পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং অসিনা রাজ্য অদুগী মীয়ামগী শেনমিৎলোন, লম্বী-থোং অমদি মীওই কয়াদা থবক পীবদা চাউনা অহোংবা অমা লাক্লগনি। অফবা লম্বী-থোং লৈরবদি লৌমীশিংগী পোত্থোকশিং কৈথেলদা ফংহন্নবা হোৎনবদা লাইথোকহনবতা নত্তনা করবার তৌরিবশিং, ধর্ম্মগী ওইবা খোঙচৎ য়াওনা লম কোইবা কয়াগী পুকিং চিংশিনবা ঙল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না তিরুপরনকুন্দরমদা লৈবা অরুলমিগু সুব্রামানিয়া স্পামী লাইশঙদা লাই খুরুমগনি।

মদুগী মমাংদা, শ্রী মোদিনা পুদুচেরিদা লুপা কোতি ২,৭০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনখ্রে অমদি শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ইকো টুরিজম, স্পিপ্রচুয়েল টুরিজম অমসুং হেলথ টুরিজমদা শেল থাদদুনা সরকার অসিনা পুদুচেরিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা করাইকাল এন.আই.টিগী কম্পোজিৎ ইঞ্জিনিয়ারিং ব্লোক, জে.আই.পি.এম.ই.আরগী রিজনেল কেন্সর সেন্তর অমসুং পোন্দিচেরি য়ুনিভর্সিতিগী অনৌবা বিল্ডিংসু শঙ্গাখি। মহাকা প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনাগী মখাদা খুঙ্গংগী লম্বী ৪১, চেলেঞ্জ বেজ দেষ্টিনেসন দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা হেরিতেজ টাউন শেমগৎনবা, রিভাম্প দিষ্ট্রিব্যুসন সেক্তর স্কিমগী মখাদা পৱার সেক্তর ৱার্কশিংগী যাত্রাসু হুনখি।

ইসিঃ সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম মতুং ইন্না ইলেক্সন কম্মিসননা নোংচুপ বঙ্গলাগী স্পিপসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) চখরবা তুংদা অরোইবা ভোটর

লিষ্ট পুথোকখ্রে। মদুদা, পুন্না ভোটর কোতি তরুক লাখ ৪৪ লিশিং ৫২,৬০৯ য়াওরি।

চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-মনোজ কুমার অগরৱালনা হায়-ড্রাফট ভোটর লিষ্টতদি পুন্না ভোটর কোতি ৭ লাখ ৮ লিশিং ১৬,৬৩০ ওইখিবনি। এস.আই.আরদা অরানবা মওংদা পানশিল্লম্বা ভোটর লাখ মঙা লিশিং ৪৬,০৫৩ লৌথোকখি। অদুমওইনমক, অরানবা মওংদা ভোটর লিষ্টতগী মিং লৌথোক্লকম্বা থোক্লবদি মদু অমুক হন্না হাপচিনবগী খুদোংচাবসু লৈগনি হায়রি। মরী লৈনবা ভোটরশিংনা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মখোয়গী ৱাকৎ থাংগৎনবসু হায়রি।

বৈষ্ণবঃ কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আই.টি মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়রি- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, সেমি কন্দক্তরস অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স মেন্যুফেকচরিংগী অপুনবা পাঙ্গলনা ভারতপু চাওখৎপগী অনৌবা থাক তাঙ্কক অমদা পুখৎপা ঙমগনি। গান্ধিনাগরদা ঙসি গুজরাত সেমি কন্নেক্ট কনফরেন্স হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা সেমিকোন ৱানগী মায় পাকপা অদু নৌহৌনা নিংশিংখি।

জয়শঙ্করঃ মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা গল্ফ লৈবাকশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবা কয়াগা ঙরাং ৱারী শান্নখ্রে।

ডা: জয়শঙ্করনা গল্ফ লৈবাকশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা য়ু.এ.ইগী বিদেস মন্ত্রি-সৈখ অব্দুলা বিন রায়েদ অল নাহিয়ানগা ৱারী শান্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা ভারতনা নুংনাংবা পোকই। মহাকা মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী মতাংদসু খন্নখি। মন্ত্রিনা কটারগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং বিদেস মন্ত্রি-সৈখ মহামদ বিন অবদুল রহমনগসু ঙরাং নুমিদাং ৱারী শান্নখি।

ডা: জয়শঙ্করনা বহরেনগী বিদেস মন্ত্রি-ডা: অবদুল লতিব বিন রাসিদ অমদি কুৱেটকী বিদেস মন্ত্রি-সৈখ জরা জাবরগসু গল্ফ লৈবাকশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱা খন্নখি।

লান ঃ আমেরিকা অমসুং ইজরেলনা নোংথক্তগী লান্দাদুনা ইরানগী মকোক থোংবা লুচিংবা অয়াতোল্লাহ আলি খমেনৈ, ঙাকশেল মন্ত্রি অমসুং লান্মীগী মকোক হাৎখ্রে। মদুগী পাউখুমদা ইরান্নসু আমেরিকাগী মিলিটরি বেজ লৈবা নত্রগা আমেরিকাগা চুংশিন্নবা নোংচুপ এসিয়াগী লৈবাক কয়াদা লান্দাখ্রে।

আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা হায়-খামেনৈনা শিখিবা অসি ইরানগী মীয়ামনা মখোয়গী মরম অমুক হন্না ফংজনবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমনি। শ্রী ত্রম্পনা হায়- চয়োল অমা নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মতম ফাওবা মফম অদুগী অককবা জগাশিংদা বোমগী এট্রেক চথখিগনি। ইরানগী টেলিভিজননসু আয়াতোলা শিরে হায়বদু অচুম্বনি হায়না লাউথোকখ্রে। মদুদা, ইরানগী ওফিসিএল ৪০ রোমসু শিখি হায়রি।

ইরানদা নুমিৎ ৪০ নি চুপা অৱাবা ফোংদোকবা লাউথোকখ্রে। ইরানগী পাউ খরনা হায়-থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০১ শিখি অদুগা ৭০০ হেনবনা অশোক অপন নংখি।

য়ুনাইতেদ নেসন্সকী সেক্রেতরি জেনেরেল এন্টোনিও গুতারেসনা নাকল অনিমক্কী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হায়রি।

গল্ফ লমদমদা থোক্লিবা উংখৎনবগী ফিভম অসি ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা ভারত য়াওনা লৈবাক কয়ানা আপীল তৌরি। চাইনানসু আমেরিকা অমসুং ইজরেলনা ইরানদা লান্দাখ্রবা মতুংদা খুদক্তা নোংমৈ কাপ্পা লেপনবা তকশিল্লি।

রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন্নসু ইরানগী লুচিংবা অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিং হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি লোয়ননা থৌদোক অদু মালেমগী ওইনা চৎনরিবা আইন অমদি মীওইবগী থৌগল্লোনদা শিংনবা থৌদোক অমনি।

এদভাইজরিঃ গল্ফ লমদমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা নোংচুপ এসিয়াদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিশিংনা ভারত মচাশিংদা এদভাইজরিশিং মপুং ফানা ঙাকবা খঙহনখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা এম্বেসিনা হায়-মখোয়না ভারত মচাশিংগা লেপ্তুনা পাউ ফাওনরি। তেহরানদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিনসু ইরানদা লৈবা ভারত মচাশিংদা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। মখোয়না দরকার লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌদনবা অমদি য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোক্তনবসু খঙহল্লি। আবুদাবি, রিয়াট, দোহা, দমাস্কস, বাগদাদ, জোরদান, কুয়েট অমসুং বহরেনদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিশিংনসু লৈবাকশিংদা অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংদা চেকশিন্না মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহল্লি।

ফ্লাইট ঃ নোংচুপ এসিয়াগী হৌজিক ওইরিবা উংখৎনবগী ফিভম অসিগী য়েংলগা দিল্লিগী এয়ারপোর্ট ওথোরিতিনা ত্রাভেল এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। এদভাইজরি অদুদা হায়- নোংচুপ লৈবাকশিং তমা পাইগদবা ইন্তরনেসনেল ফ্লাইটশিংগী মতমদা অহোংবা অমদি থিন্থবনচিংবা থৌওংশিং মায়োকরবা য়াই। ফ্লাইটতা চৎকদবা পেসেঞ্জরশিংনা মখোয় মখোয়না তোংগদবা এয়ারলাইন্সশিংগী ওফিসিয়েলশিংদগী অকুপ্পা পাউশিং লৌবীয়ু। লোয়ননা ফ্লাইটকী অনৌবা সেদ্যুলশিং এয়ারপোর্টকী ওফিসিয়েলশিং খক্তনা খঙহল্লকপা ঈ-পাউ খক্তদা পেসেঞ্জরশিংনা থাজবা থন্বীয়ু নত্রগা অনৌবা ঈ-পাউগীদমক দিল্লি এয়ারপোর্টকী ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.এস.এ মায় পাকখ্রে। ইম্ফালগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অদুদা য়ু.এস.এননা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস.দি.সি)বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি ।

ফুটবোল ঃ তেন্থা খোঙবাল ৰেলফিয়ার এসোসিয়েসন (তকৰা) না শিনদুনা চথরিবা তকৰা ৰিমেন্স কপ ২০২৬ কী ফাইনেল মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি থম্বালখোং অমদি ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবাল থেংনরগনি।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা নোকআউট বেসিসতা চথরকখিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৱাই.দব্লিউ.সি থম্বালখোংনা এফ.সি ইম্ফালবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা ই.এস.য়ু ইম্ফালবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি। ফাইনেল মেটচ হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ মখায় তাবা মতমদা শান্নগনি।

ক্রিকেটঃ টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী সুপর আইট ক্লাসতা ভারত অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ অনি হৌজিক কোলকাতাগী ইদেন গার্দেন্স ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। ভারতনা অহানবা ফিল্ডিং তৌদুনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা ওভর ৩ দা ৱিকেট অমত্তা তুদনা রন ২৭ লৌরি। মেটচ অসি অনিসুবা সেমি ফাইনেলগী মফম কন্নবা টিম অনিমক্কী কাদবা য়াদবা মেটচ অমা ওইরি।

------